# পাকিস্তানগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎনবা গভর্ণমেন্টনা ৱারেপ লৌরে : সুব্রমনিয়ন স্বামি





ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২২(এজেন্সী):
রাজ্য সভাদা বি জে পিগী এম পি ওইরিবা সুব্রমনিয়ন স্বামিনা হায়খ্রে মদুদি, পাকিস্তানগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎনবা গভর্ণমেন্টনা ৱারেপ লৌরে। জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী য়ুরিদা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতুং তারকপদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা গভর্ণমেন্টনা পাকিস্তানগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎনবা ফিরেপ লৌখিবনি।

বি জে পিগী নেসনল সেক্রেটরি সিদার্থ নাথ সিংহনসু গভর্ণমেন্টনা মিলিটরিগী ওইবা থৌরাং লৌখৎনবা হকচিন্না খন্নরি হায়না ফোঙদোকখি।

ন্যুজ এজেন্সী অমগা উনখিবদা সিদার্থ নাথ সিংহনা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং দিফেন্স মিনিষ্টর মনোহর পরিকারনা য়ুরিগী থৌদোক্তা চেন্নবা মীওইশিংগী মথক্তা মিলিটরিগী ওইবা থৌরাং লৌখৎনবা ৱারী শানরি।

অমরোমদা, দিফেন্স মিনিষ্টর মনোহর পরিকারনা হায়খি মদুদি, প্রাইম মিনিষ্টরনা য়ুরিদা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা চপ চানা লমন খুমগনি হায়না ফোঙদোকখিবা অদু অথুবা মতমদা থবক্তা ওন্থোক্লগনি।

পনবা য়াবদি, নোংমাইজিং নুমিৎতা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী য়ুরি টাউনদা লৈবা আর্মিগী কেম্প অমদা মিলিটেন্টশিংনা চথুরকখিবা এটেকতা লান্মী ১৮ শিখ্রবনি। থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তানগী মরক্তা চাউনা উংখৎনবগী ফীভম লাকপদগী পাকিস্তাননা ঙমখৈদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা লৈখ্রবনি।

রিপোর্ট অমনা হায়খি, পাকিস্তান এয়রফোর্স (পি এ এফ)না লানগী শাজেল তৌখিবগা লোয়ননা অখন্নবা নোংথক লম্বী থিংজিন্নবা ফিরেপ লৌখ্রে। ইন্টর সার্ভিসেস পব্লিক রিলেসন্স অমসুং পি এ এফকী মিদিয়া দিরেক্টোরেটনা হীরম অসিগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি। অদুবু সিনিয়র মিলিটরি ওফিসল অমগী ৱারোল পল্লদুনা *দোন* পাউচেগী রিপোর্টনা হায়খি মদুদি, ইন্দিয়ানা অকনবা থবক লৌখৎলকপা য়াবগী ফীভম লৈবা মরম্না পাকিস্তানদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা হৌরে। মরুওইনা অৱাং থংবা এরিয়াদা নোংথক লম্বী থিংজিনখিবগা লোয়ননা এম-১ অমদি এম-২ নচিংবা মোটোর ৱেশিং থিংজিল্লে।

য়ুরি থৌদোক্কী লমন খুম্বা ওইনা ইন্দিয়ানা এটেক চথুরকপা য়াই হায়না চিংনবদগী পাকিস্তাননা অখন্নবা থৌরাং অসি লৌখৎপনি হায়না থাজনরি। ইন্দিয়াগী প্লেন কয়ামরুম পাইথরকপা য়াই হায়না চিংনবা মরম্না মোটোর ৱে খরা থিংজিনখিবনি।

অদুমওইনমক মকোক থোংবা মিলিটরি ওফিসল খরনা ৱাফম অসি য়ানিংদবা ফোঙদোল্লদুনা হায়খি মদুদি, মাঙজৌননা থৌরাং তৌদুনা লাক্লবা থৌরমগী শরুক অমা ওইনা লানগী শাজেল পাঙথোকপনি। ওপরেসন হায় মার্ক হায়না মিংথোনবা মিলিটরি এক্সর্সাইজ অমা ইচম চম্না পাঙথোক-পদা মিদিয়ানা লান্না উহন্নবা হোৎনরে।

মতম শাংনা পাঙথোক্কদবা লানগী শাজেল ওইবা মরম্না নোংথক লম্বী থিংবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না পল্লদুনা ওফিসল অদুনা হায়খি মদুদি, লানগী শাজেল পাঙথোকপদা খুদোংচান-বগীদমক ইস্লামাবাদতগীনা গিলগিট ফাওবগী মরক্তা লৈরিবা নোংথক লম্বী থিংজিনখিবনি।

মরুওইবা মোটোর ৱে খরা থিংজিনবগী মতাংদা ওফিসল অদুনা হায়খি, শেমগৎ-শাগৎপগী থবক থৌরম পায়খৎলিবা মরম্না এম-১ অমসুং এম-২ নচিংবা মোটোর ৱে থিংজিন্নবা ফিরেপ লৌখিবনি। ইনি দয়াগী লান্মী খরা ঙমখৈ তম্না চঙশিল্লক্লে হায়না লোকল মিদিয়ানা রিপোর্ট তৌরকপদগী পাকিস্তানদসু টেন্সন ৱাংখৎলকখি।

অমরোমদা, ইন্দিয়ন আর্মিগী চীফ ওফ ষ্টাফ ওইরম্বা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ভি কে সিংহনা হায়খ্রে মদুদি, য়ুরিগী থৌদোক অদুগী মতাংদা তহা-তহা থবক পায়খৎপগী মহুৎতা কুপ্না খন্নরগা চপ চাবা মওংদা লমন খুম্নবা হোৎনগনি। লৈবাক্কী মমল য়াল্লবা লান্মী ১৮ শিখ্রবা ফাওবদা গভর্ণমেন্টনা তুমিন্না য়েংদুনা লৈথোকপা চুমদে। মরম অদুনা মরাল লৈবশিং মতিক চাবা চৈরাক পীগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা ময়েক শেংনা ফোঙদোকখি।

মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর এক্সটর্নেল এফেয়র্স ওইরিবা ভি কে সিংহনা হায়খি, গভর্ণমেন্টনা কুপ্না খন্নরবা মতুংদা য়ুরিগী থৌদোক অদুগী মতাংদা চপ চাবা মওংদা লমন খুম্নবা থৌরাং লৌখৎকনি।

# মিজোরামদা ইলেক্টোরেল রোল রিভিজনগী মতাংদা উংখৎনরকখ্রে



আইজোল, সেপ্টেম্বর ২২ (এজেন্সী):
ইলেক্সন কম্মিসননা মিজোরামগী ইলেক্টোরেল রোল শেমদোক্নবগী মতাংদা লৌখৎলকখিবা থৌরাং অমনা মরম ওইরগা ষ্টেট অসিদা মায়কৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকখ্রে।

চহী ২০ লোমগী মমাঙদা য়ুমলোন্নবা ত্রিপুরাদা চেন্দুনা লৈখ্রবা ট্রাইবেলশিংগী মিং ইলেক্টোরেল রোলদা হাপচিন্নবা হোৎনবগী মতাংদা কোর্টতা কেস ফাওবা থাঙ্গৎলকখি।

চহী ১১গী মমাঙদা মামিট দিষ্ট্রিক্টতা মিজো ফোরেষ্ট ওফিসর অমা হাৎখ্রবা মতুংদা থোরকখিবা কাঙলূপকী উংখৎনবনা মরম ওইরগা রিয়াং ট্রাইবেল ৩১,৩০০ লোম ত্রিপুরাদা চেন্দুনা তোঙান-তোঙানবা মফমদা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবনি।

ইলেক্সন দিপার্টমেন্টকী ওফিসল অমনা হায়খি, ইলেক্সন কম্মিসনগী পাউতাক মতুংইন্না সেপ্টেম্বর ১৫ দা মিজোরামগী ইলেক্সন দিপার্টমেন্টনা ড্রাফট ইলেক্টোরেল রোল ফোঙখি। নুমিৎ অদুদগী ইলেক্টোরেল রোল শেমদোক্লবা থৌরাং লৌখৎপা হৌখি। থা অহুমমখায় চুপ্পা থৌরাং অসি লৌখৎলবা মতুংদা কুমজা ২০১৭ কী জান্যুৱারী ৫ দা মপুং ফানা শেমদোক্লবা ইলেক্টোরেল রোল ফোঙগদবনি। জান্যুৱারী ১ ফাওবগী মমাঙদা অনৌবা মিং হাপতোক-হাপচিন তৌবগী থবক পায়খৎকনি হায়রি।

চৈরকসিদা, মিজোরাম ব্রু দিসপ্লেস পিপলস ফোরম (এম বি দি পি এফ)গী জেনরেল সেক্রেটরি ব্রুনো মিসানা হায়খ্রে মদুদি, মিজোরামদা ইলেক্টো-রেল রোল নৌনা শেমদোকপগী থৌরাং লৌখৎকনি হায়বা ট্রাইবেল রেফ্যুজীশিংনা পাউ তাখিদে। নবেম্বর থাদগী হৌনা ত্রিপুরাদা লৈরিবা রেফ্যুজীশিংবু মিজোরামদা পুরক্লবা থৌরাং লৌখৎকনি হায়না মিজোরাম গভর্ণমেন্টনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিদা খঙহনবা লৈখি। হায়রিবা মতম অদুদদি ইলেক্টোরেল রোল শেম্বগী থৌরাং লোইশিনখ্রগনি। মরম অদুনা রেফ্যুজীশিংগী মিং ইলেক্টোরেল রোলদা য়াওহনবা ঙল্লরোই।

অমরোমদা, ষ্টেটকী চীফ ইনফোর্মেসন কম্মিস্নার রোবর্ট রাংদোলানা গৌহাটি হায় কোর্টকী মিজোরাম বেঞ্চতা পিটিসন অমা ফাইল তৌদুনা ষ্টেটকী ইলেক্টোরেল লিষ্টতা রিয়াং ট্রাইবেলশিং য়াওহল্লোইদবনি হায়না তকশিনখ্রে।

রেফ্যুজীশিংবু মতম চানা মিজোরামদা হল্লকপা য়াহন্দবগা লোয়ননা মীখলগী থবক থৌরমদা শরুক য়াহন্দবা হায়বসি ফন্দামেন্টেল রাইটস খোঙ্গাওনবনি হায়না মিসানা পাউমীশিংগা উনবা অমদা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, য়ং মিজো এসোসিএসন (ৱাই এম এ) অমসুং মিজো ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ)নসু কুমজা ১৯৯৭ কী ওক্টোবরদগী ত্রিপুরাদা লৈরক্লবা ট্রাইবেলশিংবু ইলেক্টোরেল রোলদা য়াওহল্লোইদবনি হায়না ইলেক্সন কম্মিসনদা তকশিনখ্রে। মতৌ অসুম্না ইলেক্টোরেল রোল রিভিজন তৌবগী মতাংদা মিজোরামদা অচৌবা ৱাথোক অমা থোরকপগী ফীভমদা লৈরে।

# বুর্কা শেৎপা খুৎলায় পায়বা মীওই খরা থেংনবদগী মুম্বাইদা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে

মুম্বাই, সেপ্টেম্বর ২২(এজেন্সী):
রাইগরগী উরানদা ঙসি অয়ুক স্কুলগী অঙাংশিংনা বুর্কা শেৎপা খুৎলায় পায়বা মীওই খরা চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা লৈরম্বা থেংনবদগী মহারাষ্ট্রদা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে।

মহৈরোয়শিংনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না আই এন এস অভিমন্যু লৈরিবা মফম অদুগী মায়োক্লবদা থেংনখিবা খুৎলায় পায়বা মীওইশিং অদুনা ও এন জি সী অমদি স্কুল হায়বা ৱাহৈ পন্দুনা ৱারী শানবা তাখি হায়রি।

পনবা য়াবদি, উরানদা ইন্দিয়ন নেভিগী মরুওইবা খুৎলায় কয়ামরুম থম্বগা লোয়ননা ও এন জি সীগী প্লান্ট অমসু লৈরিবনি।

অমরোমদা, মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হোম দিপক কেশরকরনা পাউমীশিংদা হায়খ্রে মদুদি, অমুবা মচুগী বুর্কা শেৎপা মীওই খরা চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা লৈরম্বগী পাউ ফংলে। মীওইশিং অদু তোঙান-তোঙানবা মপান লৈবাক্কী লোলদা মখোয় মশেল ৱারী শানৈ হায়বগী পাউসু ফংলে। অদুমওইনমক মতিক চাবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎলিবা মরম্না হীরম অসিগী মতাংদা মীয়াম্না মীপাইনিংঙাই ওইদে।

অমরোমদা, ইন্দিয়ন নেভিনা মুম্বাই, নবি মুম্বাই, থানে অমসুং রাইগরদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা নেভেল বেজশিংদা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎহনখ্রে।

থৌদোক অসিগী মতাংদা মহারাষ্ট্রগী দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস সটিশ মাথুরনা হায়খি মদুদি, ঙসি অয়ুক অঙনবদা টেররিষ্টনি চিংনবা মীওই মরি বুর্কা শেৎলগা চঙলকখিবগী পাউ ফংলে। পাউ অদু হেক ফংবগা চিংননিংঙাই ওইবা মফমশিংদা পাক শন্না থিবা-হুম্বগী থবক চথুখি। কনাগুম্বনা হীরম অসিগী মতাংদা অকুপ্পা পাউ ফংলবদি মনাক নকপা পুলিস ষ্টেসনদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

উরান হায়রিবা মফম অসি মুম্বাইদগী কিলোমিটর ৬০ রোম লাপ্না লৈ। কুমজা ২০০৮ দা টেররিষ্টশিংনা সীটি অসিদা এটেক চথুরকপদা মীওই ১৬৬ শিবা লৈখ্রবনি।

জৱাহরলাল নেহরু পোর্ট অমদি ভাভা এটোমিক রিছার্স সেন্টরগা নক্লবা মরম্না সীটি অসি য়াম্না মরুওইবা মফম ওইনা লৌনরি।

অমরোমদা, পাকিস্তান লোমদগী টেররিষ্ট কয়ামরুম ঙমখৈ লানশিন্দুনা ইন্দিয়াদা চঙলক্লবা থৌরাং তৌরি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ছোর্স অমা পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, জম্মুগী অখনুর সেক্টরদগী কিলোমিটর ২০০ রোম লাপ্না লৈবা ঙমখৈগী শরুক অমদা লোৎতুনা লৈরিবা মিলিটেন্ট ২০০ রোম ইন্দিয়াদা চঙনবগীদমক খুদোংচাবা তাঞ্জা ঙাইদুনা লৈরি।

কাশ্মীরগী য়ুরি সেক্টরদা হন্দক টেররিষ্টশিংনা এটেক চথুরকখ্রবা মতুংদা জম্মুদা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা লাকখিবনি। য়ুরি সেক্টরগী লাসিপোরা এরিয়াদা ঙরাং সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা থিবা-হুম্বগী থবক চথুবদা টেররিষ্ট খরা থেংনবদগী নোংমৈ কাপ্নবদা টেররিষ্ট ১০ হাৎপা ঙমখ্রবনি।

অমরোমদা, দিফেন্স মিনিষ্টর মনোহর পরিকারনা য়ুরিদা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা মপুং ফাবা রিপোর্ট অমা পীরক্লবা আর্মিদা খঙহনখ্রে। চেকশিন্না ঙাক শেল্লবা বট্টালিয়ন হেদ ক্বার্টরসতা টেররিষ্ট-শিংনা মতৌ করম্না অরায়বা মওংদা চঙলকপা ঙমখিবনো হায়বগী মতাংদা মপুং ফাবা রিপোর্ট অমা পীরক্কদবনি হায়না দিফেন্স মিনিষ্টরনা খঙহনখি।

য়ুরিদা থোকখিবা থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা ন্যু দিল্লি অমসুং ইস্লামাবাদনা অকনবা মওংদা ৱাহৈগী লান শোক্লদুনা লাকখিবনি। থৌদোক অদুদা পাকিস্তাননা শৌগৎপা মিলিটেন্টশিং চেন্নৈ হায়না ইন্দিয়ানা মরাল শীরি। অমরোমদা, পাকিস্তাননদি ৱাফম অদু অরানবনি হায়রি। ইস্লামাবাদনা হায়খি, ইন্দিয়ানা মতিক চাবা খুদম য়াওদনা অরানবা মওংদা পাকিস্তানবু মরাল শীনবা হোৎনরে।

# ব্রহমদাগ বুগতিনা ইন্দিয়াদা চঙজফম লৌনবগী মতাংদা পীশিল্লকপা চেরোল হোম মিনিষ্ট্রিদা য়ৌরকখ্রে



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২২(এজেন্সী):
বেলোচ লূচিংবা ব্রহমদাগ বুগতিনা ইন্দিয়াদা চঙজফম লৌনবগী মতাংদা পীশিল্লকখিবা চেরোল অমা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিদা য়ৌরকখ্রে।

বেলোচিষ্টান্দা মীয়ামগী অচৌবা ঈহৌ অমা লূচিংলিবা বেলোচ লূচিংবা অসি মতম শাংনা মপান লৈবাক্তা চেন্দুনা লৈরকখিবনি। হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা মহাক্না জেনেভাদা লৈবা ইন্দিয়ন এম্বেসিদা এসাইলম লৌনবগী চেরোল পীশিল্লকখি। বেলোচ রিপব্লিকান পার্টি (বি আর পি)গী লূচিংবা অসিনা জেনেভাদা লৈরিবা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা দিপ্লোমেটশিংগা উনদুনা হৌজিক হৌজিক বেলোচিষ্টান, অফঘানিষ্টান অমদি অতৈ লৈবাক খরদা লৈরিবা বেলোচ লূচিংবশিংগী মতাংদা ৱারী শানখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা বুগতিনা হায়খি, ইন্দিয়ন এম্বেসিদা চত্তুনা চঙজফম লৌনবগী মতাংদা ইন্দিয়ন ওফিসলশিংগা উনদুনা ৱারী শানরে। অথুবা মতমদা শোয়দনা অয়াবা পীরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।

মালেমগী চৎন-কাঙলোন মতুং ইন্না পোলিটিকেল এসাইলম লৌবগী মতাংদা মথৌ তাবা চে-চাং পূম্নমক শুনা পীশিনখিব্রা হায়না পাউমীশিংনা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মহাক্না হায়খি, হীরম অসিগী মতাংদা হৌজিকমক্কী ওইনদি চে-চাং পীশিনখ্রে হায়বা ৱাফম অসিদগী হেন্না ফোঙদোকপা ঙমদে। ইন্দিয়া গভর্ণ-মেন্টনা লৌখৎলকপা থৌরাং য়েংলগা মখা তাবা ৱাফম খঙবা ঙমগনি। বেলোচ মীয়াম্না হৌরিবা ঈহৌদা পূক্নিং থৌগৎপীরকপগীদমক ইন্দিয়াবু মহাক্না থাগৎপা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, ইন্দিয়াগী নীংতম নুমিৎ থৌরমদা ৱা ঙাঙখিবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা বেলোচিষ্টানগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্তুনা মালেমগী মীয়ামদা পাকিস্তান্না নমথবীরবা বেলোচ মীয়ামগী অৱাবা পূম্নমক খঙহন্নবা হোৎনখি। মতুং তারকপদসু ইন্দিয়ানা বেলোচ মীয়ামগী মতেং পাংলকখিগনি হায়বগী থাজবা লৈ। চহী ১০গী মমাঙদা পাকিস্তানগী লান্মীশিংনা হাৎখ্রবা বেলোচ নেসনে-লিষ্ট লিদর নৱাব অকবর খান বুগতিগী মশুনুপা ব্রহমদাগনা হায়খি, বেলোচি-ষ্টান্দা হৌজিক হৌজিক মীয়াম্না মায়োক্লরিবা মীওৎ-মীনৈ পূম্নমক মতম পুম্বগী ওইনা কোকহন্নবগী মতাংদা ইন্দিয়ানা মতিক চাবা থৌরাং অমা শোয়দনা লৌখৎলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০০৬তা অকবর বুগতি হাৎখ্রবা মতুংদা ব্রহমদাগনা অফঘানিষ্টান্দা চেন্দুনা লৈখিবনি। পাকিস্তান্না অফঘানিষ্টান্দা অকনবা প্রেসর পীবদগী মহাক স্বিটজরলেন্দদা চেনখি।

## অখন্নবা কোর্ট ১৬ লৈহনগদৌরি

অহমেদবাদ, সেপ্টেম্বর ২২(এজেন্সী):
গুজরাটতা দলিত ফুরুপকী মীওইশিংনা খোঙজং চঙশিল্লকখিবগা মরী লৈননা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা অখন্নবা কোর্ট ১৬ শেমগত্তুনা এস সী/এস টি এট্রোসিটিজ এক্টকী মখাদা কেস পূম্নমক খোঙজেল য়াঙনা ট্রাইয়েল চথনবা খঙহনখ্রে।

গুজরাটকী লীগেল দিপার্টমেন্টনা ঙসি থোকখিবা নোটিফিকেসন অমগী মতুং ইন্না ওক্টোবর ১দগী থবক তৌবা হৌগদৌরিবা কোর্টশিং অসিনা সেদ্যুল কাষ্ট এন্দ সেদ্যুল ট্রাইব (প্রিভেন্সন ওফ এট্রোসিটিজ) এক্ট, ১৯৮৯গা মরী লৈনবা কেসশিংতমক হিয়ারিং চথগনি হায়রি।

তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট ১৫দা শেমগৎকদৌরিবা কোর্টশিং অসি অহমেদবাদকী ওইনদি অহমেদবাদ (রুরেল) অমসুং অহমেদবাদ (সিটি) হায়না কোর্ট অনী লৈগদৌরি। স্পেসল কোর্ট শেমগৎকদৌরিবা অতৈ দিষ্ট্রিক্টশিং অদুদি অনন্দ, বনস্কান্ত, বারুচ, ভাবনগর, গান্ধীনগর, জামনগর, জনগর্ধ, কুচ, মেহশানা, পতান, রাজকোট, সুরত, সুরেন্দ্রনগর অমসুং বাদোদরানি।

গুজরাট হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিসকা তানরবা মতুংদা হায়রিবা স্পেসল কোর্টশিং লিংখৎনবা থৌরাং লৌখৎপনি হায়না নোটিফিকেসন অদুনা ফোঙদোকখি।

দলিত ফুরুপকী মীওইশিং তাথি-তওইনা তৌবীরে হায়না ৱাকৎ-লকপগা লোয়ননা অচুম্বা ৱায়েল ফংহনগদবনি হায়না ফুরুপ অসিগী লূপ কয়ানা খোঙজং চঙশিল্লকখ্রবা মতুংদা অনৌবা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি।

হৌখিবা জুলাই ১১দা গীর সোমনাথ দিষ্ট্রিক্টকী উনা টাউনদা ষণ অশিবা অমগী মউন খোল্লুই হায়বগীদমক দলিত নহা মরি তমথিনা ফুবগী থৌদোক অমা থোকখি। মমাঙদসু ফুরুপ অসিগী মীওইশিং তাথি-তওইনা তৌবগী থৌদোক কয়া থোকপা লৈখ্রে।

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DIRECTORATE OF RURAL DEVELOPMENT AND PANCHAYATI RAJ**

**NOTIFICATION**

Imphal, the 20th September, 2016

**No. 1/113/77-RD/XV/2016 :** It is hereby informed to all the candidates appearing in the written examination for recruitment to the post of PA, VLW, LDC (OA), ACCOUNTANT AND COMPUTER OPERATOR in Rural Development and Panchayati Raj Department, Government of Manipur including Rural Engineering Department (RED) that the written examination will be held at Imphal on 25th September, 2016 (Sunday) from 10:00 am to 1:00 pm. The allotment of Roll Nos. to Colleges / School/ Examination Centres are given below :

**EXAMINATION CENTRES WITH ALLOCATION OF ROLL NUMBERS**

| SL. NO. | NAME OF CENTRES | ROLL NUMBERS | TOTAL |
|---|---|---|---|
| 1 | D,M College of Science, Thangmeiband | 1-768 | 768 |
| 2 | Brajalal Hr. Sc. School, Moirangkhom | 769-1086 | 318 |
| 3 | Ibotonsana Hr.Sc. School, Uripok | 1087-1488 | 402 |
| 4 | D,M College of Commerce, Thangmeiband | 1489-1768 | 280 |
| 5 | Ng Mani College, Khabeisoi | 1769-2068 | 300 |
| 6 | N. G. College, Uripok | 2069-2468 | 400 |
| 7 | Maharaja Budhachandra College, Palace compound | 2469-2768 | 300 |
| 8 | Modern College, Porompat | 2769-3268 | 500 |
| 9 | Liberal College, Luwangsangbam | 3269-4268 | 1000 |
| 10 | T.G Hr. Sec. School, Imphal | 4269-4868 | 600 |
| 11 | Johnston Hr. Sc. School, Imphal | 4869-5368 | 500 |
| 12 | C.C Hr. Sc. School, Sanjenthong | 5369-5918 | 550 |
| 13 | Ananda Singh Academy, Soibam Leikai | 5919-6368 | 450 |
| 14 | Don Bosco, Sangakpham | 6369-6768 | 400 |
| 15 | Brighter Academy, New Chekon, Imphal | 6769-7168 | 400 |
| 16 | Wangkhei High School, Wangkhei | 7169-7368 | 200 |
| 17 | Lamlong Hr. Sc. School, Lamlong | 7369-7668 | 300 |
| 18 | Secred Heart, T.V Tower, Porompat | 7669-8068 | 400 |
| 19 | Ram Lal Paul, Keisamthong | 8069-8368 | 300 |
| 20 | Imphal College, Kwakeithel | 8369-8918 | 550 |
| 21 | Manipur College, Singjamei | 8919-9318 | 400 |
| 22 | North Point, Mantripukhri | 9319-9718 | 400 |
| 23 | Manipur Public School, Koirengei | 9719-10218 | 500 |
| 24 | Kanan Devi, Hr. Sc. School, Haotal, Pangei | 10219-10718 | 500 |
| 25 | Standard College, Kongba | 10719-11118 | 400 |
| 26 | Panchayat Bhawan, Porompat | 11119 - onwards | |

2. Further, candidates from far flung places are advised to make prior arrangements to ensure their appearance in the above examination. No request would be entertained to consider the candidature of the applicants unable to reach the venue of the examination well in time.

3. Candidates are directed to use only BLACK BALL-POINT PEN for the exam.

Sd/-
Dr. K. Shyamsunder Singh
Director (RD & PR)
Government of Manipur

HL-P/9843/21-24 Sept

BUY BEST QUALITY
TOPTEN LED BULBS.
(at 20 to 60% Discount)
SAVE ENERGY BY 85% & ALSO YOUR MONEY.



ALSO AVAILABLE ALL ELECTRICAL ACCESSORIES AT DISCOUNT PRICES.
Branch Centre :
Uripok Kangchup Road, Haobam Dewan Leikai, Imphal
CONTACT NO. +91 9856 626 315.
APPLY FOR AUTHORISED DEALERSHIP/ RETAILER.
Times : 08:00 am to 06:00 pm
Daily
HL-P/9803/17,19-24 Sept

লায়েংজরি
UMA AYURVEDIC CLINIC
(DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থর্ককনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোত্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

**HOW TO GIVE UP WINE**
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

**HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL**
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream
Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,

HL-B/3291/3/09-2/10

BYS
BUILD YOUR SUCCESS (BYS)
Palace Compound (Macha Leima School) # 9863284750/ 9856088990




ADMISSION OPEN
CLASS X REVISION COURSE (BOSEM) STARTING FROM OCT. 24, 2016
(MORNING & EVENING SHIFTS AVAILABLE)
Last Date: Sept 28, 2016

HL-P/9205/16/09-15/11 (Alt.)